# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -৪৬

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**ফেব্রুৱারী ১৯, ২০০৯ :** ঙসি কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুং ইন্না উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর পঙ্কজ কুমার পাল, আই এ এস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি (সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস) মথৌদা থওইদবগীদমক সস্পেন্দ তৌখ্রে। লোয়নন্না লৈখিদ্রবা এস দি ও ডা. থিংনাম কিষনগী লোয়নবীদা এম সী এসকী পোষ্ট পীখ্রে।

ঙসি ষ্টেট কেবিনেটকী অখন্নবা মীফম অমা ফমদুনা ৱারেপ কয়া লৌরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা পাউমীশিংদা হায়খি, ডা. কিষন অমসুং মহাক্কী ষ্টাফ অনী হাৎপগী থৌওং অসি ষ্টেট লৈঙাক্না হকচিন্না লৌই। মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা আই জি (এল ও-থ্রী) না লুচিংবা টিম অমনা চিংনবা মফমশিংদা থি-হুম্বগী থবক চথদুনা মরাল লৈবশিং ফানবা হোৎনরি।

ষ্টেট লৈঙাক্না দি সী উখ্রুল ওইরিবা পঙ্কজ কুমার পাল, আই এ এস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি ওইরিবা এ দোর্জি আই পি এস মথৌদা পূক্নিং চঙদবগীদমক সস্পেন্দ তৌরে। লোয়নন্না মীহাৎপগী কেস অসিগা মরী লৈননা থিজিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্না কম্মিটি অমসু শেম্লে। কম্মিটি অসি কমিস্নর (এগ্রি) ওইরিবা ও নবকিশ্বর অমসুং এল এম খৌতে, আই জি (ইর্ন্টেলিজেন্স) না লুচিংগনি।

ঙসি ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমনা কসোম খুলেনগী লৈখিদ্রবা এস দি ও ডা. কিষনন্না মথৌদা কখোকপা অমগা লোয়নন্না থবক তৌরম্বা অদুগীদমক শকখঙবা ওইনা মহাক্কী লোয়নবীবু এম সী এসকী পোষ্ট পীনবা অমসুং লৈখিদ্রবা দ্রাইভর রাজেন অমসুং মন্দল তোকেনগীসু খ্বাইদগী নক্লবা মীওই অমমমদা মশাগী চানবা ক্বালিফিকেসন য়েংদুনা লৈঙাক্কী থবক অমমম পীনবা ৱারেপ লৌরে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকখি। চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্না মীহাৎ অসিদা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওইশিং ফাদুনা মখোয়না তৌরুবা ক্রাইমগী মতুং ইন্না চৈরাক পীগনি। ষ্টেট লৈঙাক্না লৈখিদ্রবা ডা. কিষনগী ইমুং মনুংদা লুপা লাক্ষ ১০ অমসুং দ্রাইভর রাজেন অমসুং মন্দল তোকেনগী ইমুং মনুংদা লুপা লাক্ষ ৫/৫ পীনবা ৱারেপসু লৌখ্রে।

মীহাৎ অসিগী পাউ হেক তাবগা ষ্টেট লৈঙাক্না লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং খুদক্তা লৌখৎখি হায়না ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মরাল লৈবশিং ফাননবা কন্না হোৎনদুনা লাক্লি। মখোয়গা লোয়নখিবা মীওই অহুম রমথিং, রামশিং অমসুং কপাংখুই জিমিক হৌজিক থিবা খঙদনা লৈরি। মখোয়গী অশিবা হকচাংশিং ঙসি মফৌ দামগী মফম অমদা লৈরে হায়বা পাউ অমা তাবদগী আই জি অমনা লুচিংদুনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থিরুবদা লৈরমদ্রে। মখোয় অহুম ফংলবদি ৱাথোক অসিগী মতাংদা করিগুম্বা লালহৌলূপ অমগা মীহাৎ অসিদা চেন্নরম্লবসু মখোয় লেম্না অমত্তা থারোই।

হন্দক্কী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী কোর্দিনেসন্দা অহোবা লৈখিব্রা হায়বগী মতাংদা ঙরাং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী দি সী অমসুং এস পি কৌদুনা ৱারী শানখি। দি সীনদি মহাক্তি থাসিগী ১৩দগী ছুটি লৌরগা থাসিগী ১৪দা দেল্লিদা চৎপনি। ঙরাং দেল্লিদগী ইম্ফালদা হল্লকপনি। ৱার্ক্স মিনিষ্টর অমসুং আর দি মিনিষ্টরনা থা অসিগী ১৬তা উখ্রুলদা লাক্কদবা লৈরগা করিগীদমক্তা ওফিস থাদোক্লিবনো হায়না হংবদা মহাক মশাগী থবক অমা লৈবনা ছুটি লৌবনি হায়রি। মশাগী দ্যুটি অমসুং মথৌ মশক খঙদবগী দি সী অমসুং এস পিগী মথক্তা এক্সন লৌখত্তুনা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখিবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, থৌদোক অসিগা মরী লৈননা চিংনবদি লৈরে। অদুবু চপ চানা খঙদোকপা ঙমদ্রিবনা হায়দোকপা মতাং চাদ্রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ম্যেন পৱার ৱাৎপনা এম সী এসশিংদা সেক্যুরিটি এস্কোর্ট পীবগী ৱাফম লৈত্রি। অদুবু ওফিসরশিং অসিনা করিগুম্বা মফম অমদা চৎপদা সেক্যরিটি মথৌ তারে হায়রবদি মদুদা লৈঙাক্না সেক্যুরিটি পীগনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, চীংদা সেক্যুরিটিগী অৱাৎপা য়াম্না লৈ। হোম মিনিষ্টরনা সেক্যুরিটিগী মপাঙ্গল থুনা হেনগৎহন্নবা খঙহল্লকপা মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা আই আর বি বট্টালিয়ন অমমম অমসুং পুলিস ষ্টেসন খুদিংমক্তা পার্সনেল ৫৮-দগী তাদনা থম্নবা রিক্রুটমেন্ট চথুরি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্না লৈমিন্নবা লৈঙাক্না চপ চানা হোৎনদুনা লাক্লি। মসিদা মীয়াম্নসু থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক মতেং পাংবীয়ু হায়না চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা আপিল তৌখি।

**ফেব্রুৱারী ১৯ :** ঙসি থোকখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিব রিফোর্মসকী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না চুড়াচান্দপুরগী দি সী ওইরিবা সুমন্ত, আই এ এসপু উখ্রুলগী দি সী অদুগা ৬শুবা এম আরগী সী ও চার্জ পুরিবা কে ঐচ সুরেশ, এম পি এসপু এস পি উখ্রুল ইন-চার্জ পুহনখ্রে। কে ঐচ সুরেশনা উখ্রুলগী এস পিগী চার্জ পুবতা নত্তনা ৬শুবা এম আরগী এক্স ওফিসিও সী ও ইন-চার্জসু পুগনি।

**ফেব্রুৱারী ১৯ :** জে এ সীনা কৌখিবা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক অদু ঙসি অহিং নোংয়াইদা লোইশিনখ্রে। ঙসি জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা বন্দ শৌগৎপশিংনা গাড়ী মৈ থাবা য়াওনা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখ্রে অমদি পুলিসনা টিয়র গ্যাস কাপ্তুনা রেল্লি থুগাইবদা নুপী ৩ শোকখ্রে।

ঙসি জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী লোইশিনবা নুমিৎ অসিদা গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়াদা অয়ূক অঙনবদগী হৌনা মীওই কয়ানা লম্বীদা থোক্লত্তুনা লম্বী থিংখি। থৌদোক অসিগা লোয়নন্না অয়ূক পুং ১১ রোম তাবদা জে এ সীনা শীন্দুনা নাগামপাল কাংজাবী লৈরক্তা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদু লোইরবা মতুংদা মীয়াম্না মীহাৎ অসি য়ানীংদবা উত্তুনা 'এন এস সী এন (আই-এম)' মণিপুরদগী মরূ ফংনা মুখৎকদবনি, ও ইবোবী সী এমগী ফম থাদোকউ, চীংমী তম্মী পোৎ লান্নবগী মথৌ তাদ্রে' হায়বনচিংবা খোল্লাউ লাউদুনা উরিপোক তম্না রেল্লি অমা লাকখি। মদুদা য়াওখিবা মীয়াম্না চৈ অমসুং লৈখিদ্রবশিংগী ফোটো পায়খি।

রেল্লি অদুনা উরিপোক য়ৌরকপদা হান্না মফম অদুদা ধরনা ফম্লম্বা মীওই অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎপা কয়াগা পূনশিন্দুনা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো তম্না লাকখি। অদুবু রেল্লি অদুনা নাওরেমথোং লাল্লগা শগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক য়ৌরকপা মতমদা পুলিস টিম অমনা রেল্লি অদু থৎখি। মীয়াম অদুনা নমদুনা রেল্লি চৎনবা হোৎনরকপদগী মখোয়বু পুলিসনা নুংথিল পুং ১২.৩০ রোম তাবদা টয়র গ্যাস সেল ১০গী মথক্তা কাপ্তুনা তানখায়খি। মদুদা নুপী ৩ শোকপদগী রিমস হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা মীওই কয়ানা টিদ্দিম লাইন্দা হাইগৎলত্তুনা চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলো তম্না চঙশিন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু মীয়াম অদু কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন্দা পুলিসনা থৎখি। মদুদা টিয়র গ্যাস কাপখি অমসুং মীয়াম অদু মপূং ফানা তানখায়খি। মসিদা নত্তনা ককৱা নাওরেম লৈকায়রোমদগীসু মৈরা পায়বী নুপী ময়াম অমা চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলো তম্না হাইগৎলকপদা পুলিসনা য়ূম্নাম লৈকায় মপাদা থত্তুনা তানখায়খি।

ঙসি লৈঙাক্না কার্ফিয়ু লাউথোকখ্রবা মতুং ফাওবদা উরিপোক অমসুং নাওরেমথোং লম্বীদা মীয়াম্না মখা তানা লম্বী থিংবনচিংবগী থবক চথুরকপদগী সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা টিয়র গ্যাস কাপ্তুনা তানখায়খি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবদা মণিপুর পুলিসকী টিম অমনা জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎপশিং তানখায়নবা হোৎনবদা নাগামপাল কাংজাবী লৈরক্তা লৈবা লৈখিদ্রবা এস দি ও ডা. থিংনাম কিষনগী য়ূমদা টিয়র গ্যাস সেল অমসুং রবর বুলেট কয়া কাপশিল্লকপদগী লৈখিদ্রবা কিষনগী ইমুং মনুংগী মীওই অমা অশোক অপন নংখ্রে। মমিংনা থিংনাম রোশন (৩৬) অপোকপা সুরচন্দ্র কৌই হায়রি।

জে এ সীনা কৌখিবা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক্তা জিরিবামদসু মপূং ফানা শৌগৎখি।

**ফেব্রুৱারী ২০, ২০০৯ :** লৈখিদ্রবা কসোম খুলেনগী এস দি ও য়াওনা ষ্টাফ ৩গী ইমুং-মনুং, মীহাৎ অদুগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সী অমদি অপূনবা লূপকী মীহুৎশিংগা মণিপুর লৈঙাক্না ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম হেন্না ৱারী শানরবসু য়ানবদি পুরকপা ঙমখিদ্রে। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনদি মীহাৎ অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না মীয়ামগী অপাম্বশিং থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি অশিবা হকচাং লৌরোই হায়রি।

লৈঙাক্কা ৱারী শানবা অদুগী মাঙওইননা ঙসি নুংথিল অপূনবা লূপ অমদি জে এ সীনা শিন্দুনা য়ূম্নাম লৈকায়দা লৈবা গৌর নিত্যাই মান্দবতা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা মত অমত্তা ওইনা লৌখিবা ৱারেপ তরেৎলোম অদু ৱারী শানবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখি।

ঙসিগী মীফম অদুনা লৌখিবা ৱারেপশিং অদু লৈঙাক্না থা অসিগী ২২ ফাওবগী মনুংদা থবক ওন্থোরক্ত্রবদি মখা তাবা খোঙজং চঙশিনবদসু য়ানখি।

অতৈ ৱারেপশিং অদুদি মীহাৎ অসিদা মরুওইনা চেন্নরিবা উখ্রুলগী দি সী পঙ্কজ কুমার পালগী মথক্তা এফ আই আর অমা লৌখৎতুনা ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যুর চথবা, তমথীরবা মীহাৎ অদুবু চথুরিবা মীওইশিং চপ চাবা চৈরাক পীবা, ফাখ্রগা হৌজিক ফাওবা মফম খঙদনা লৈরিবা অতোপ্পা ষ্টাফ ৩ তেক্তা কায়দনা থাদোকহন্নবা লৈঙাক্না হোৎনবা, লৈখিদ্রবা ৩গী মফম চাবা পোৎলোইফম অমা পীবা, নীংশিং খুভম অমমম কসোম খুলেন অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী তফৌদা থম্বা, মীহাৎ অসি এন এস সী এন (আই-এম) না য়াম্না নীংথিনা ওর্গেনাইজ তৌদুনা চথবা ওইগনি। মদুনা মরম ওইদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং লালহৌলূপ অসিগী মরক্তা লৈনরিবা সিজ ফায়র মণিপুরদা য়ৌই নৎত্রগা য়ৌদে হায়বদু ময়েক শেংনা শেংদোকপা, চীংদা তাবা ওফিসরশিংগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীবা হায়বা অসিনচিংবা ৱারেপশিং য়াওরি।

ৱারেপশিং অসি থবক্তা ওন্থোকপীনবা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুং, জে এ সী অমদি অপূনবা লূপকী লুচিংবশিংগা মণিপুর লৈঙাক্কা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিএটতা নুমিদাং পুং ৬ তাবা অদুৱাইদগী পুং ৮ হেনবা অদুৱাই ফাওবা ৱারী শানখি।

ৱারী শানবা অদুগী মতাংদা জে এ সীগী কনভেনর ৱাই কাপুরনা পাউমীশিংদা হায়খিবদা, মীহাৎ অদুগী মতাংদা হৌজিক লৈঙাক্না ইনক্বারি অমা তৌরবা মতুংদা মদুদগী ফংলকপা ফাইন্দিংসতা য়ূম্ফম ওইদুনা লৌখৎপা য়াবা এক্সন লৌখৎকে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি হায়রি।

# নুংগী অমদি মপান্থোংগী অহোংবা

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

**লমদম অমা,** খুন্নাই অমা মপান্থোংগী নৎত্রগা নুংগী ওইবা চাওখৎপা নৎত্রগা চাওথবদা অহোংবা পুরকপা হায়বসি পাল্লি-পাল্লিবা লৈঙাক অদুবু পায়রিবা পোলিটিকেল পার্টি অদুগী পাঙথোক্লীংলিবা থৌদাংশিং অমদি পান্দমশিং অদুনা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌই হায়বসি ঐখোয়না কাউফদে। অদুগা মীওইবা খুন্নাই অমনা চাওখৎপা হায়বসি মপান্থোংগী চাওখৎপখক্তনা চাওখৎপনি হায়না লৌবসু লানগনি। মালেমগী মফম কয়াদা মপান্থোংগী ওইনা চাওখৎলম্বা য়ূম-কৈ, লম্বী-থোংনচিংবা পোৎলম কয়া লৈমায়দা কিন্থখি মতমগী খোঙজেলদা নৎত্রগা মীওইবা ঐখোয়গী কল্লক মীহৌবদা নৎত্রগা য়েংথিনবদা। ঙসি ঐখোয়না উরিবা চাওখৎপগী মমি ওইরিবা মপান্থোংগী পোৎলম অমদি অরং-অরাক কয়া অসিসু লোইনা কিন্থখিগনি মতমগী য়াওলদা নোংমদি। মসি হায় হায়দুনা ঐখোয় অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি শেমগৎলরোইসি হায়বদি য়াম্না হেন্না লানগনি। অদুবু নুংগী ওইবা চাওখৎপা, নিংথিজবা অমদি ফজবা খুদিংমক্তি ঙসিসু অদুম হিংদুনা লৈরি, মীওইবা ঐখোয়গী চারোল-শুরোল কয়ানা ইন্নরি, চৎনরি অমদি খোঙ্গুল লীনরি। খুদম ওইনা হায়রবদা Roman Empire গী মতমদা শাগৎলম্বা লম্বী-থোং, য়ূম-কৈ অমদি অতৈ অতোপ্পা মপান্থোংগী ওইবা অরং অরাক কয়া পূম্নমক লৈমায়দা কেনখ্রে, তুখ্রে লেমহৌরিবা মমি নৎত্রগা অরেম্বা লৈহৌবা খরা নত্তনা। অদুবু মখোয়গী নুংগী ওইবা ফজবা হায়বদি থৌনা অদুবুদি ঙসিসু শক্লরি-শোন্নরি, ইন্নরি অমদি চৎনরি চারোন শুরোন কয়া কয়াদগী।

মতম অমদা চাউনা লৌশিল্লম্বা, লৈরম্বা ঐখোয়গী ঙমখৈ মাঙখ্রে, অতোপ্পগী ওইখ্রে, শাগৎলম্বা মপান্থোংগী ওইবা পোৎলম কয়াসু লৈমায়থক্তা তিনখ্রে অদুবু ঐখোয়গী ইপা-ইপূশিংগী থৌনা, লিংজেল, মতিক-ময়াইদি ঙসিসু লৈরি ঐখোয়গী থম্মোয়দা। মখোয়না থম্বীরম্বা নিংথিজরবা নাট, ইয়েক-ইরোল, ফিজেৎ-চাকচা, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, হৌন-লোনচৎ অমদি থৌগল্লোন্নচিংবা কয়া ঙসিসু ঐখোয়না (ঐখোয়গী ওইবা হৌরকফম, ইনাৎ লাইনীংবু নুংশিজবা কাঙলূপ) ইন্নদুনা চৎনবা হোৎনরি, ইন্নরি, চৎনরি অমদি খোঙ্গুল লীনরি। অদুবু অৱাবদি, ঙসিদি মপান্থোংগী চাওখৎপদা, অরং-অরাক্তা অসুক্কী মতিক পূক্নিং চঙখিবনা নুংগী ওইবা ইপা-ইপূশিংনা থম্বীরম্বা ফজবা পোৎলমশিং অসিবুদি চাওখৎনবা, য়োকখৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা তুংওইননা থম্বীরে। নুংগী ফজবা, চাওখৎপা য়াওদনা মপান্থোংগী চাওখৎপা অমদি অরং-অরাক্না ঐখোয়গী পুন্সিদা নুংঙাইবা পুন্সি অমা পুরক্কনি হায়বদি য়াম্না লানগনি। নুংগী ফজবা, চাওখৎপা য়াওদ্রবদি মপান্থোংগী অরং-অরাক্না ফনা ফজসনু হেন্নদুম অকায়বা, অৱাবা পুরক্কনি খুন্নাইসিদা।

টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদা হৌখিবা চহী ৩০মুকসিদা অসুক্কী মতিক অহোংবা লাকখ্রে মপান্থোংগী ওইনসু অদুগা নুংগী ওইনসু। মপান্থোংগী হায়রগা মতাংসিদা থমজরিবসি ঐখোয়না উরিবা, তারিবা, শীজিন্নরিবা মীওইবনা শেমগৎলিবা ময়াম অসিনি। অদুগা নুংগী ওইবা চাওখৎপা হায়রগদি ঐখোয়গী ফজবা, নোল্লুকপা ৱাখল্লোন, থাজবা, নাট, লাইনীং-লাইশোন, হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোন হায়রিবশিং অসিবুনি। ৱারেং অসিদা ঐহাক্না থমজনীংলিবা মরুওইবা ৱাফমদি পাল্লি-পাল্লিবা লৈঙাক অমনা করম্বা অহোংবা পুরকপগে হায়বসি লৈঙাক্লিবা পোলিটিকেল পার্টি অদুগী অনীংবা, অপাম্বা পান্দমশিং (পোলিসি অমদি গোলস) অদুনা য়াম্না চাউবা নুংগী ওইবা অচৌবা অহোংবা পুরকই হায়বা ৱাফমদুনি।

টাইৱান্দা খ্বাইদগী চাউবা, মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টি হায়রগদি কে এম টি (কৌ মিন টাঙ) অমদি দি পি পি (দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিব পার্টি) হায়বা অনীসিনি। কে এম টি অসি অশেংবগীদি চাইনাদা থোকখিবা ১৯১১ জিনহাই রেভল্যুসনগী হেক মতুং হায়বদি ১৯১২দা সোঙ জাইওরেন অমদি সুন য়াট-সেন অনীগী লুচিং মখাদা শেমখিবা পোলিটিকেল পার্টি অমনি। চাইনাগী কম্যুনিষ্ট পার্টিদা মপাঙ্গল য়াম্না কনদ্রিঙৈ ১৯৪৯ ফাওবদি কে এম টি অসি চাইনাগী রুল্লিং পার্টি ওইনা লৈরম্বনি। মতুংদা চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিগী অকনবা শাফু থেংনবা ঙম্লক্তবদগী টাইৱান্দা চেল্লক্তুনা/লৈথোক্তুনা অমতা ঙাইরবা পোলিটিকেল পার্টি ওইনা লৈরকখিবনি চিআং কাই-সেক্কী লুচিং মখাদা। অদুবু ১৯৮৬ চঙলকপদগীদি অতোপ্পা দি পি পি নৎত্রগা মিনজিন্তাং হায়না খঙনবা পোলিটিকেল পার্টি অমসু লৈরক্লে। কে এম টি পোলিটিকেল পার্টিগী মরুওইবা পান্দমদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ম্যেনলেন্দ চাইনাদা লৈহৌবা কম্যুনিষ্ট পার্টিবু মায়থীবা পীদুনা অমুক হল্লক্তুনা ম্যেনলেন্দ চাইনাদা পানবদুনি। অদুবু মদুগী মঙলান অদু ফংবা ঙমদনা কুমজা ১৯৭৫দা চিআং কাই-সেক লৈখিদে। চিআং কাই-সেকনা লৈখিদ্রবসু কে এম টিগী মরুওইবা পন্থুংদি ম্যেনলেন্দ চাইনাগা অমত্তা ওইনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈপাক অমা ওইনা পূনশিনবনি। অদুগা নাকল অমরোমদনা দি পি পিনা ম্যেনলেন্দ চাইনাদগী নীংখা তম্বা তানবনি।

দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিব পার্টিগী নুংগী ওইবা নীংখা তম্বগী মমি অসি লী টেঙ হুইনা ১৯৮৮দগী ২০০০ ফাওবদা রিপব্লিক ওফ চাইনা (টাইৱান অমদি থংনবদা লৈবা ইনাৎ মচাশিং) গী প্রসিদেন্ট ওইনা পুবদা শেংনা উবা ফংবতা নত্তনা থবক কয়াদা অমদি টাইৱানগী পোলিসি শেম্বদা ম্যেনলেন্দ চাইনাগী মায়োক্তা তৌবা হৌরকখি। অহানবা টাইৱান ঈৎথতা পোকখিবা প্রসিদেন্ট অমা ওইনা মপান্থোংদা কে এম টিগী চ্যেরমেন ওইরম্লবসু কে এম টি পার্টিদগী লাকখিবা আর ও সীগী প্রসিদেন্ট ওইরবসু মহাক্কী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা য়েংলুরগদি মহাক চাইনাদগী নীংতম্বা পাম্বা মীওই অমা ওইরম্মী।





শেল-থুমগী মরালদা চেন্নবা টাইৱানগী নহারোলশিং অতোপ্পা লমদা ফাদুনা চাইনাদা পুরক্লগা ত্রায়ল তৌবা অমদি কৈশুমশঙদা থম্বগী মমিশিং

হৌখিবা চহী ৩০ (১৯৮৮-২০১৮) মুকসিদা লাকখিবা লৈঙাক্কী ওইবা অহোংবা কয়া অদুনা অতোপ্পা লৈপাকশিংগা মরী লৈনবদা, মরু ওইনা ঈ অমতগী মচিন মনাও ওইরিবা চাইনাগা টাইৱানগগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি অসুক্কী মতিক ফত্তনা লাকখিবনা শেল-থুমগী ফীভমদা মাঙদা চঙশিনবা লেপখিবতা নত্তনা নাট, লাইনীং-লাইশোন, লোল, ময়েক, হৌন-লোনচৎসু অসুক্কী মতিক অহোংবা লাকখিবনি (মসিগী ফত্তবা অহোংবা অসিনি ঐহাক্না মীয়ামদা থমজনীংলিবসু)। চহী লিশাংদা, মতমদা খেন্নরবসু অসিগুম্বা অশোয়বা অসি ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাক্কী চহী ৩০০মুক্কী পুৱারীদসু থোকখ্রবনি, মসি হৌজিক অমুক্তা হন্না থোরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

চাইনাদগী লাপথোক্লবা অমদি নীংতম্নবা হোৎনবদা প্রসিদেন্ট লী টেঙ হুইগী মতমদগী হৌজিক ফাওবা পাল্লিবা দি পি পিনা টাইৱানগী হিষ্ট্রিবু শেমজিন শাজিন্দুনা অরানবা হিষ্ট্রি কয়া হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা তম্বীদুনা নহারোলশিং অসিগী থম্মোয়দা কে এম টি অমদি চাইনাগী মায়োক্তা লেপ্পবা ঙসি ফাওবদা হোৎনদুনা লাকখিবনি। অসিগুম্বা শেমদোক শেমজিনবগী থবকসি মহাক্কী মমাঙদগী তৌরমদে অদুগা তৌনীংলবসু তৌবা ঙম্লমদবনি। হৌখিবা চহী ৩০মুকসিদা মমাঙদা পোকখিবা অমদি চাউরকখিবা মীওইশিংদি য়াম্না নোল্লুকই, ৱাঙাঙ-শঙাঙ ফজে, ৱাজাউ ঙাঙবা চৎনদে, থৌগল্লোন খঙই, থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌই। মসিমক ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমনা/চেন নান-টাই অমদি মহাক্কী মমাঙদা অমদি মহাক্কা মতম অমত্তদা পোকমিন্নখিবা লোঙ্গাশিংদা য়েংলগা য়াম্না লায়না খঙবা ঙম্মী। মখোয়দি ইকায় হঙ্গোইবসু ফাওই, ফিজেৎ চাকচাদা, মীমাঙ থোকপদা অতোপ্পনা করি হায়রক্কনি হায়না য়াম্না চেকশিন্না চৎচৈ। লাইরিক লাইশু, মহৈ মশীন তম্বদা থৱায় য়াওনা তৌরকই, হোৎনবা কল্লকই, মপুন্সিদা করম্বা মীওই অমা ওইসিগে হায়বগী মঙলান অমদি অপাম্বা লৈরকই লোয়ননা মমা-মপা, অহল-লমন অমদি তাকপী-তম্বীরকপা ওজাশিংনা হায়বা ৱা তারকই, মখোয়দা নোল্লুক্কা, ইকায়খুম্নমা চৎলকই।

অদুবু চহী ৩০সিগী মনুংদা পোকখিবা অমদি চাউরকখিবা নহারোলশিংদি য়াদ্রে ঐহাক্কী ৱাখলদদি। মসিগী খেন্নবসি য়াম্না লায়না উবা ঙম্মী ঙসি ঙসিমক। মখোয়গী ৱাঙাঙ-শঙাঙসু লুদে, ফিজেৎ চাকচাদা চাওখৎলবনি হায়রিব্রা খঙদে শেৎলি ইল্লিবা ফিজোলশিংসি য়াম্না কোমথোকই, ইকায়বসু খঙদে। লাইরিক লাইশু তম্বদসু অসুক্কী মতিক থৌশাদে। ঐহাক্কী ক্লাসতা ঐহাক্না তত্তনা হংবা ৱাহং "নখোয় পুন্সিদা করি করম্বা মীওই ওইগে খল্লি, নহাক্কী মঙলান করিনো?" হায়না হংবদা অয়াম্বা মীওইশিং অসি খুম্বা ঙমদে, হায়বদি মখোয়গী মঙলান অমত্তা লৈতে হায়বনি।

মঙলান য়াওদনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী হিংবসিগী মথক্তা মখোয় খুদিংমক শেল য়াম্না পায়বা পাম্মী অদুবু থবকসু কন্না শূনীংদে, ৱাদনা শেল য়াম্না তানবা পাম্বা ঙাক্তা ওই। শেলদা য়াম্না মীহৌবনা ওইদবা ঙাঙদুনা, অতোপ্পদা মীনমদুনা শেল লৌথোকপা অসিনচিংবসিদি টাইৱানসু য়াম্না মাঙদা চঙশিল্লি। অতোপ্পবু মীনমদুনা শেল লৌথোকপগী থবকসি টাইৱানগী নহারোলশিংসু য়াম্না খুমাঙ চাওশিল্লে। ইন্দিয়াদা ভি আস এস এ আর ঈ পি হায়না লৈরম্বা মীয়ামদগী শেল ময়াম অমা পুরগা অতোপ্পা লৈবাক্তা চেনখিবদো। ঐহাকসু ইয়াম্বনা হায়বদগী শেন্দোং খরা ফংগদ্রা হায়না য়াওশিল্লুবদা লুপা লাক্ষ ১৫মুক মাঙখি। টাইৱান্দদি মীয়ামসি তোয়না থোকপদগী শিংনদুনা অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি য়াম্না তোইনদি থোক্ত্রে। লুরিবদি মখোয়না অতোপ্পা এসিয়াগী অমদি য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা চৎতুনা লমদমদুগী মীওই খরগা লৌতুনরগা মীচম মীয়ামদগী নমথাক তৌদুনা শেল লৌতোক্লুবগী ফাদুনা হৌজিক হৌজিক ম্যেনলেন্দ চাইনাগী কৈশুমশঙশিংদা য়াম্না লৈরি। পাল্লিবা টাইৱানগী লৈঙাকসিনা করিগী চাইনাগী কৈশুমশঙদা থল্লিবনো টাইৱানদা ওইনা থাবিরকও হায়না থৌদোক থোক্লিবা লৈপাকশিংদুদা হায়রবসু টাইৱান্দদি শুকথা থারক্ত্রে। মরমদি টাইৱানদি পাল্লিবা লৈঙাকসিনা নীংখা তম্বা অমদি হ্যুমেন রাইটকী মমীংদা অরানবা তৌরবসু অমত্তা ফাদে, কৈশুমশঙদসু থমদে। থল্লবসু নুমিৎ খরনিগী মনুংদা অদু থাদোকই। হৌজিক হৌজিক নৌনা পাল্লিবা দি পি পি লৈঙাকসিনা হেক পাল্লকপদগী চহী অনীমখায়মুকসিদা থোক্লিবা মীহাৎ-মীপূন, মীশি-মীনাগী থৌদোকসি অমুক্কা হেন্না চাং ৱাংখ্রে মমাঙ চহী ৮দা কে এম টিগী মীহুৎ প্রসিদেন্ট মা য়িংজিওনা পাল্লিঙৈ মতমদুদা থোকখিবা চাংদুগা চাংদম্নবদা।

অদুগা অঙাংশিংনা তল্লিবা লাইরিকশিংদসু তাহৈদবা, তমহৈদবা কয়া অমা মতমসিগী চৎনবীনি হায়দুনা হীরম কয়া অমসু হাপচিল্লে। মসি হৌজিক পাল্লিবা দি পি পি লৈঙাকসিগী চাওখৎপগী ৱাখল্লোন হায়বদু ওইরমাল্লে। মসি লৈঙাক লৈঙাক্কী মতুং ইল্লি হায়না থমজগে।

লৈরিবা অসিগুম্বা ফীভম অসিনা ঐখোয়দা ময়েক শেংনা তাক্ল মদুদি কে এম টি অমদি দি পি পি পোলিটিকেল পার্টি অনীসিগী খেন্নবা আইদিওলোজি অমদি পোলিসি অসিনা মরম ওইদুনা টাইৱান্দা তোঙান তোঙানবা ঈহৌ অমদি ৱাখল্লোন পোকহল্লে অমদি কাঙলূপ অনী থোক্না খাইদোক্লে। কাঙলূপ অমনা হৌরকফম খঙজবা, মশাগী ওইবা নাট, লোল, ময়েক, হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোন অসিনচিংববু য়াম্না চেৎনা কোনশিন্দুনা চৎচবতা নত্তনা নোংমদি হৌরকফম মান্নরিবা মচিন মনাও ওইরিবা ম্যেনলেন্দ চাইনিজশিং অসিগা শোয়দনা পূনখিগনি হায়না থাজবা কাঙলূপ অমা। অদুগা অনীশুবা কাঙলূপ অমনা নোংচুপলোমগী নাটপু অহোংবা অমদি অনৌবনি, চাওখৎলবনি হায়না খঞ্জদুনা মশাগী হৌরকফমগী ওইবা চাইনিজ নাটপু থাদোক্তুনা নোংমদি মখোয় শোয়দনা নীংখা তম্বা ফংলকখিগনি হায়না খঞ্জবা কাঙলূপ অমা। অসিগুম্বা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল আইদিওলোজিস অসিনা মরম ওইদুনা মীওই মিল্লিয়ন ২৩ খরা হেন্না লৈবা টাইৱানসি কাঙলূপ অনী থোক্না খাইদোক্লে। হান্না দি পি পি লাক্ত্রিঙৈদদি মীপূম খুদিং অমত্তা ওইনা লৈরম্বনি। মসিমক ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাক্কী পুৱারীদসু থোকখ্রে। পূন্না চীংমী-তম্মী কুইনা পূন্দুনা মচিন মনাও ওইনা নুংশিননা লৈমিন্নরকপা করম্না চহী ৩০০মুক্কী মনুংদা তোখায়-তোখায় নাকল অনীদা থমখিবা কনানা ওইহনখি হায়বা ঐহাক্না অমুক পল্লুদ্রবসু মীয়াম্না হেন্না খঙবীরবদুনি। হৌজিকসু অমুক নৌনা অসিগুম্বা থৌদোক অমদি অতোপ্পা থৌদোকশিং অসি থোকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়বদা হায়মনবা থোক্কদ্রা, মরুওইনা নাট, লাইনীং লাইশোন অমদি ঙমখৈগী মতাংদা ঐখোয়গী লৈঙাক্না সেন্তরগী মখা য়াম্না পোন্না লৈবনা।

লোইশিল্লকপদা শল্লপ্না থমজনীংলিবা ৱাফমদি মপান্থোংগীবু ওইগেরা, নুংগীবু ওইগেরা, অফবা মায়কৈদা হোংগেরা, ফত্তবা মায়কৈদা হোংগেরা, খুন্নাই অমদা অহোংবা পুরকপা হায়বসি হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অদুগী অনীংবা, অপাম্বা অমদি ফংনীংলিবা পান্দমশিং অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি হায়না থমজগে। অদুম ওইনমক ঙসিগী খুন্নাইসিদদি পাউনুং ফাওনবগী চাংসি অদুক্কী মতিক থুবনা, ৱাঙবনা অমদি মীয়ামগী লাইরিক লাইশু হৈবগী চাংসু ৱাঙবনা অদুগা মালেমগী মফমদা করম্বা অফবা অমদি ফত্তবা থৌদোকশিং থোক্লিবা হায়বনচিংবা হীরমশিংদা য়াম্না থুনা খঙবা ঙম্নবনা করিগুম্বা মীয়াম্না য়াদবা (মীওই খুজোক খরনদি য়াবা অদুগা অয়াম্বা মীয়ামনদি য়াদবা) হীরম অমা পাল্লিবা লৈঙাকসিনা পুখৎলক্লবদি, তৌরক্লবদি মদু থিংবা তাবনি। অদুগা অমরোমদনা করিগুম্বা লৈঙাক্না থম্মোয় শেংনা অফবা থবক অমা পায়খৎলকপদা, তৌরকপদা লৈঙাকপু পূক্নিং থৌগৎতুনা শৌগৎপীগদবনি চুম্না সুম য়েংদুনা লৈবগী মহুত্তা। অদুগা লৈঙাক্না তৌথোরকপা, লৌখৎলকপা থবক থৌরম খুদিংমক ঐখোয় ইরমদম কংলৈপাককী ফগনি নৎত্রগা ফরোই হায়না লৌবসু লানগনি হায়না থমজগে। অফবা তৌরক্লবদি শৌগৎসি, মতেং পাংসি অদুগা সেন্তরগী শাফুদগী নৎত্রগা কনাগুম্বা ফুরুপ অমনা ইনশিনবদগী মীয়াম্না য়াদবা থবক থৌরম পায়খৎলক্লবদি নমদুনা মীয়াম চঙদুনা থিংগদবনি, চুম্না সুম মোই মোইনা থোকপা হায়না য়েংদুনা তুমিন্না লৈথোকপগী মহুত্তা। পাল্লিবা লৈঙাকসিনা মীয়ামদা য়াবা থবক্তমক তৌরকপা ওইরসনু। য়াইফমিন্নরসি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।